ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯑꯦꯄ꯭ꯔꯤꯜ ꯲꯳, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯹ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, এপ্রিল ২৩, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২৯শুবা মশীং

# লৌ উবা ঙম্নরক্তবা

## লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙগদবনি

হৌজিক অঙনফৌ উনবা হৌরে। লৌফম খরদদি লিংবা নৎত্রগা হুনবা তৌনদুনা হৌরে। খুৎলোল্লক্তুনা পেংবা য়াবা য়াওরক্লে। অঙনফৌগী ফীভম অসিনা মতাংসি য়ৌশিল্লকপগা ইরোয়ননা অনীরক চাবী হায়বদি অকোনবা অনীরকশুবা লৌরোক্কীসু লৌ পান্ননবা থৌরাং হৌনরক্লে। অদুবু মতাংসি য়ৌরকপদা থোরক্লিবা থৌদোক্তি মশানা উননবা লৌ লৈজদবা নত্তবা মশাগী লৌ ওইগেরা মীগী অশানবা লৌবু ওইগেরা উননবা লৌফম লৈরবসু উবা ঙমজদবা লৌমীশিং য়াওশিল্লকপা অসিনি। মশাগী লৌচা লৈজবশিংগীনা উনবগী পাম্বে লৈজদবা, মীগী অশানবা লৌ ওইরগনা লৌ পান্ননবগীদমক থাদবা শেনফমগা হয়েং লৌ লোক্লকপা মতমদা ফংলকপা ফৌগগী মরক্তা চঙখিবা শেনফমদগী শেন্দোংদি লায়রদনা মহুৎ হঞ্জিনবা ঙমদবদগী লৌ পান্নিংলক্তবগী ফীভমদা মায়োক্নহল্লকপা অসিনি। অসুম্মাইনা তৌদুনা লৌমীনা অমসুং লৌপুনা লৌ উনরক্ত্রবা মতমদা মাঙজরিবসি লৌপু অমসুং লৌমীশিং অদুতা নত্তে। মণিপুরগী ওইবা অপূনবা ফৌথোক্কী চাংদা ময়েং তারকই অমসুং হন্থহল্লকই। মসি ওইরগদি মাঙজবসি লৌমীদা নত্তে, লৌপুখক্তসু নত্তে। মীয়ামগীসু মাঙজৈ অমসুং লৈঙাক্কী ফাওবা মাঙজবা ওইরকই। অদুবু চহী খরগী মমাঙদগী থোরক্লিবা লৌ উদবদগী লৌ শিৎপগী থৌদোকশিং অসি করিদগী ওইহল্লকপনো? করিদগী থোরকপনো হায়বসি লৈবাক্কী মপু ওইরিবা লৈঙাক্লা থিদোকপা চুমগনি। হৌজিক্কী মতমদা লৌফম অমা লৌ পান্ননবা হোৎনরকপদা করি করি চঙবগে? লৌ খাওবা অমসুং য়ৈবদা অনৌবা মতমগী মেছিন্নরিশিং থোরকপদগী লোয়নমক শীজিন্নরবসু লৌমী (মেন পৱার) চঙই। লৌ খোইবদসু লৌমী য়াওদবা য়াদে। মরমদি লৌ উবগী থবক্তা মীওইবনা খম থেংনা চাওখৎলে হায়রগসু মী শুকয়াও য়াওদনা কম্প্যুটরনা অমসুং দ্রোননচিংবা খক্তদা শিন্নথোক্লগা মথৌ তাবা থবকশিং মিৎনা কূপ্পদা লোইশিনবা য়াদবনিনা মেন পৱার চঙই। মসিসু লৌফম পীকপা চাওবগী ৱাফম খক নত্তনা লৌমী অমখক্তগী থবকসু ওইদে। অদুনা মীরোল লৈতবা ইমুংনা লৌ উবা ঙমদে। উননবা হোৎনরকপদনা মী নেকপা (খুল্লং ৱায়বা) গী শেল য়াম্না চঙই। মহৌশাগী চাকচা মাঙ অমদা, নুংথিল অমদা নৎত্রগনা নোংমদা লুপা ৫০/১০০না য়ারম্বগী মতমদুসু হৌজিক্তি ওইদ্রে।

অদুগা মেন পৱারগী ৱাফমসিগী মথক্তা লৌ পানবদা খ্বাইদগী মরু ওইবা পোৎচংশিং ওইরিবনা ঈশিং, ফৌদি নৎত্রগা লৌহোন, তীল হীদাক অমসুং ফর্টিলাইজরশিংনি। মস্বাই য়ৌরকপদদি শেল অমসুং মেন পৱার মরাং কায়না লৈরগসু নোংথক্তগী তারক্কদবা ঈশিং লৈরক্ত্রবদা কদাইদগী লৌরুনি। ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্নদনবা মাঙজৌননা ঈশিং য়োকশিন্দুনা থম্নবা য়াওরব্রা? পুখ্রি, পাৎ অমদি তুরেলনচিংবদগী লৌফম তান্না পুরক্ন বগী খুদোংচাবা নীংথিজনা লৈজরব্রা? লৈঙাক্নসু মসিগীদমক লৌখৎফম থোকপা থবকশিং চপ চানা লৌখৎপীরব্রা? লৈঙাক্কী কচ্চা নৎত্রগা পক্কা দামশিং অমসুং রিভর লিফ্‌ট ইরিগেসন (আর এল আই) প্রোজেক্টশিংনা ঈশিং মথৌ তাবা লৌফমশিংদা কোন্ননবা ঈশিং পীবা ঙম্লব্রা হায়বসিসু হৌজিক ফাওবদা হংখিবা য়াবা ৱাহং ওইদুনা লৈরিবনি। মরম অসিনা ঈশিং চিংনবা পম্প য়েন্থোকপা/পীবদগী হৌরগা হার পীরকপা ফাওবদা কোক্কাই-লুকাইনরিবনি। হারগীদমক অহিং য়ারেক্নদুনা ক্যু লেপ্নরিবনি। পূম্নমকসিগী মথক্তা লৌ পানবা/উবদা চঙবা পোৎলম পূম্নমক্কী মমলসু অতিয়া পক্না ৱাংলক্লিবনি। পূম্নমকসিনা মরম ওইরগা লৌ পানবা য়াবা লৌফমসু চহী খুদিংগী পীকশিল্লক্লবসিদা অমুক্কসু লৌ পান্নদবা য়াওরক্লগদি মণিপুরগী ফৌথোক-চাথোক্কী ফীভম করি ওইরকপা তাবগে? অসিগুম্বা মরমসি মায়োক্নবা ঙমদনা লৌফমদগী চেনখ্রবা লৌমীশিংনা লৌগী মহুত্তা অতোপ্পা হিংনবগী পাম্বে থিনরকপসু য়াওরকই। লৌফমদা কোম তৌথোক্ন দুনা ঙা য়োক্লকই। অতোপ্পা মহৈ-মরোং অমসুং মনা-মশিংনচিংবা থাবা য়াওনরকই। শেন্দোং নৎত্রগা শেল্লেপতি লৌ পানবগী মহুত্তা ঙা য়োক্লবসু, মনা-মশিং থারবসু ফংবদি য়াই। অদুবু মসিনা মরম ওইরগা হন্থহল্লক্লবা ফৌথোক্কী অৱাৎপদি মেনখৎনবা হোৎনবদা অরাইবা ওইরোই হায়নীংই। মরম অসিনা ফীভমসি থোকহন্দনবা করি করম্বা থৌরাংশিং লৌখৎকদগে হায়বসি লৈবাক্কী মপি মপা ওইরিবা লৈঙাক্লা, লৌমী অমসুং লৌপুশিংনা খন্নরগা পন্থদনা পায়খৎহৌবা চুমগনি। মসি নৎত্রবদি চিঞ্জাক্তা মীপান তাংদবগা হায়বা ৱাফমসি মঙলান ওইদুনা অদুম্মক লৈখিগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪০

১) “তোয়না থেংনৈ ঐনা/ৱাহৈনা মপূকচেন হোংলকপা।/ৱাহৈনা মপূক শেংলক্তবসিদা/কপলি ঐগী থৱায়না।” শক্লাইরবা কবি অমগী লাইরিক্তা য়াওবা শৈরেং অমনি। কবি অসি কনানো, মাগী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

২) মণিপুর মপানগী শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্কী মমিংনি “অরোইবা খোঙচৎ” হায়বসি। অইবসি কনানো অমদি লাইরিক অসি করি মখলগীনো?

৩) *“সেনবী সমসোক্ লৌওনব পাংগ ঈপ লাল্ কবো ঈপু লাল্ পূনুং চঙবী ঈয়ান খাক্ পূনুং ঈসোই ননন লমলেল্ মংসা লউথেং কোইদ ইরোই কাংপোৎ খোমলরে হায়য়ে। পোইরই ঐসু তাংসক্তে।”* ৱাহৈ পরেংশিং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

৪) “চেরৈ” হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?

৫) *“অ।! চান্নবী, হৈররোনে থন্ন, থক্লসিনে,/হৌখিবগীদমক্ত নীংঙমদ্রবা লাক্কদৌ’ গীসু নুংনাংনরিবা ঙসি কৌবা নুমিৎসে,/হয়েং! করিগী হয়েং, ওইবা য়াদ্রবা ঐহাক্তী/হৌখ্রবা চহী লীশিং চাম্মগী চিন্তা পোৎলুম পুবা।”* মালেম ফাওরিবা কবি অমগী শৈরেংদগী মণিপুরীদা হন্দোকপা মতেকনি। কবি কনাগী করি শৈরেং লাইরিক্লো অমদি মণিপুরীদা হন্দোক্লিবনা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইবা অমদি ইনীংবা

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

ঈশিং খৌরাংদ্রিবা শগোল অমবু ঈশিং পীথক্লবা লাক্লবা ওইথোক্তে হায়বদুমক্নি। ইনীংবা মীনা সুম ইজবনি, ইনীংদবনা সুম ইজদবনি, হে নঙ ইদবা য়ারোই হায়দুনা চৈতূপ অমা থাঙ্গৎলগা নঙ শৈরেং ইয়ু নৎত্রবদি মীরল্লেনদগী নমিং ককথৎকনি হায়বদা *“অয়োয়ো ইবুংঙো, ননাই ঐ শৈরেং ইজরগে”* হায়রক্কদবা লৈতে। ইবুংঙো ইবেম্মা নঙ শৈরেং ইয়ুনে হায়দনা থেম নৌরগসু খোয়থুম্নরবা শৈরেংশিং মথং মথং গুৱাহাটি চৎকদবা বস থাবদৌনা ইথোরক্কদৌবসু লৈতে। ঈশিং থক্লিংদবা য়াঙ্গৈাই শগোলদু তম্বা নুপা শাফবা তরা চঙদুনা তুরেলদা ইন্থদুনা ঈশিং থকউ হায়দুনা মনমদা চৈ থাবদা কান্নরোই মে মে খোংলগা তোক্কনি। ইজনীংদ্রবা ইরক্ত্রবা মীদা খ্বাই মীয়াম চঙদনা অদোম লাইরিক শুকই ইরক্ত্রে হায়দুনা য়ূম শিদোক্লবা য়ারোই, লৈকায়দগী ইন্থোক্লুবদা কান্নবা ফংলোই। কেস তৌরুবা য়াবা নত্তে। ইবা হায়বসি অমরোমদা থৌজিল্লগা, কিহল্লগা, থেম নৌরগা ইহনবা য়াবা থবক অমদি মমৈথংদা ওইরমদ্রে।



অমহিকসুং, অইবশিংসি লাইনা মণিপুরগী মফম অমদা চগুংননা কৃক কৃক ইন্ননা লৈকায় অমদা মায়কৈ অমদা পুল্লপ পৈশিল্লগা থন্বীদে খরা খরা চাইনা মণিপুরগী মফম শিন শিন্দুনা থন্মী। খুদম্মক্তবু, তেরাদা অমা, শগোলবন্দদা অমা, য়ুরেম্বমদা অমা, তৌবুলদা অমা, য়াইঙংপোকপীদা অমা, চরাংপাৎতা অমা, খুরাইদা অমা, কৈশাম্পাৎতা অমা অসিনচিংবা অসুম হায়না তাঙনা অইবশিংসি থন্বীবনি। মরাইবক ফবা লৈকায়দুনা নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্টতুনা অইবা অহুম মরি পুল্লপ ফংজবা অসিনি তৌনরিবসি। কদাইদগী লৈকায় অমদা তোংৱা, সমরেন্দ্র, দীনমনি, বীনোদিনি, থোইবী, পাচা পুল্লপ ফংবা য়াগদগে? লাইসু থৌশিল হৈতবা তাগদৌরিবনি। মসি থম্নবা হোৎনবদা মাসু মকোক চাইজরিবনি। লাইগী সেন্ত্রেল লুচিংবশিংগা তরেৎ তরা য়াম্না থোক্না তানরমগনি। মণিপুরগী হৌজিক মতমগী নুপী অইবীশিং অসিসু মণিপুরগী মফম তোঙান তোঙানবা কয়াদগী ঙাক্নি।

ইনীংবগী, য়েক্লিংবগী থবক অসি মশা ফত্তবী লৈশাবী অমনা মায়দা পাউদর তপ তানা থারগা মায় নান্না উহনবগী থবক অদুসু নত্তে মসি থনুংদগী হকচাংনা, ঈগী ঈচেলনা, থম্মোয়না ফরগা শানৌ লৈশা চনু মানা মশা ফগৎলক্লগা, থম্মোয় ঈনোৎ কারক্লগা নুজাগী মায়থোঙনা ঈ শেংনা লংত্রিক লংনা নাঞ্জবা, মায়হিং কোকচখিবা অদুমক্নি। মতোমতা ওইজরকপা পোৎনি। নুমিৎনা নোংপোক্তা লিৎখৎলকপদগীনা নুমিৎনা নোংচুপ চীংয়াঙদা লূপখিবা খেনফমদুফাও মরোই মকা অমফাও থাদনা সুম শংদুনা লৈরবা মহাক অদুনা লমায় লিশীং মঙা পানবা মহাকাব্য অমা ইরক্কনি হায়বা য়াপোনতে, ইরকওই হায়বসু য়াদে। পেদ্রেক পেদ্রেক লাউবা লিশীং অনী চৎপী মনা ময়ামদু ঙাক্তনা হানবা মোন মোম্পাক্তা তূম্বা মহাক অমনা উপন্যাস মরী মরী হেক্তা ইথরক্কনি হায়রুবা য়াদে। অইবগী থনুং কোমদগী ইনীং ঈফূৎনা নমখায়রক্লবা মতমদুদখক চেগী ঈপাক্তা চেন্থরকপনি।

অমরোমদা ইনীংবা হায়বসে কুমলায়নানি। ঙাইহাক নারল্লগা শৎ হেক ফখিবা লায়না অদুসু নত্তে। মরম অদুনা ইনীংমীশিংনা মতম লৈবা খিবিক্তা সাহিত্যনা কুম লায়না ওইবগী মথৌ তাবা ওই লৈরম্মে।

সাহিত্যদা খোঙদাবা হৌরকপদা নহা ওইরম্বশিং লোইনমক অহল ওইখ্রে, অহল ওইবদা নত্তনা হনুখ্রে, মতমদুদা অঙাং ওইনা মতুংদা ইল্লম্বশিংসু নহা ওইরক্লে সোরি, অহল ওইরক্লে। মতমদুদা য়াওবিরম্বা মীওই কয়া মশক মশা উখিদ্রে। লাইরিক ইবা ফোঙবগী ৱাদি তোকপু তোক্লগা মশেল উনরগা ৱারী শাবা অদুনা লাইরিক ইবদগী থোইনা হেন্না নুংঙাইজখ্রে। ইবা ঙাক্তনা সাহিত্য নত্তে, উনরগা ৱারী শাবসিসু সাহিত্য ওইবজাৎনি অদুম।

মতম অমদা ঐখোয়না য়াওজরকপা লূপ অমগী প্রসিদেন্টকী ময়ূমদা ঐখোয় ময়াম্না মীটিং তৌই। ঐখোয়মখৈনা মীটিং ফমহৌরগা নখোয় মীটিং ফমহৌখো ঐ ইঙ্খোলগী শম্বল থিংবা চৎলে হায়না প্রসিদেন্টনা হায়রম্মী। মানা অসুম অসুম শম্বল থিংবা, হৱাই মুবী থাবা, জিজ্ঘ অহোবা মেনবা সুম তৌখিবনা ঐখোয়গী মরক্তা প্রসিদেন্টনা অমুক হন্না মীটিং য়াওরকখিদরে, মমৈদদি মেম্বর ঐখোয়দা মীটিং ফমহৌরে। মমৈথংদা মেম্বরশিংসু মানা মানা থোকপা হিংন হিংনবা হোৎননখ্রে। মখা তারকপা মীটিংসু মফম হোং হোংদুনা তৌরক্লে। মানা মানা পামদ্রবদি সাহিত্য ওইনম্লক্তে।

ইবা পামজরম্বা কয়া লৈখিদবা শোয়দনা য়াওবীরমগনি অদুবু করি তৌখ্রবনো, করি চারি, করি ইরি, করি ওইখ্রে, মৱা মপাউ তানখিদ্রে, উনখিদ্রে, শম্নখিদ্রে, সমুদ্র ৱাংমা ৱাংমদা লৈনখ্রে। সাহিত্যগী থবক অসিদি অতৈ শিনগা তৈনৈ, ঐনা ঐনা তান্নজবনি, সাহিত্যনা ঐবু তান্নরবা নত্তে, মসিদগী হেনবা ভলুন্টরি ওইবা থবক অমা মালেমদা লৈরমদৌবু মান্দে। মফম অসিদা অচৌ মচা নাইদে অঙকপা তাইবঙনি। মাঙদা থমদুনা চারিবা কাংশোইদা য়ূম অহোবদগী নোংয়াহিনা মপা চানা তপ তপ য়ুথরক্লবসু অইবগী সাহিত্যগী ঈরীদি তৎপা নাইপোত্তে। তৎপু তৎলোই হায়রদি। লায়রবনা লায়রবগী থোকপা হায়দুনি।

থনুংদগী তৌরকপা থবকনি শাথীবা মীনা, দিক্টেরনা, কম্মান্দোনা, জো বাইদেননা, পুটিননা, কিম জোং উননা, ন্যুক্লিয়র বোমনা ঈনশিল্লগা ইবা নত্তে। ইনীংদবা পোৎসু ইদে। মীনা হায়রক্লগসু ইদে। ইনীংদবা মীনা ইবীদে, ইনীংবা মীনা ই। মনীং য়াম্না তম্বা পাম্বা থম্মোয়, নিংঙাই চাওখ্রবা থম্মোয়নি অইবগী। ●

# হিন্দি তম্লগা করি তমদ্রগা করি

**নবকুমার ওইনা**

হিন্দিবু কম্পলসরি ওইনা তমহনবা পামদে হায়রিবশিংসিদি হিন্দি ঙাঙবা হৈবা ঙাক্তা ওইরম্লগনি। লংফৈ চৎপদা কান্নবদুদি ফংলমগনি, চোপ্পসু নংলমগনি, লংনরকপসু য়াওরমগনি, হিন্দিদু লোল্লবসু হন্থনা য়েংবদুদি তোক্ত্রি। হিন্দি তমগদৌবনি হায়বসিসু হন্থনা য়েংবদুনি, ইরোল-ইনাৎ লৈজরিবসি উদবনি। ঙাঙনীংদে, তম্বা য়াদে, তম্নিংদে হায়না ঙাঙনরিবমখৈ করি তৌগদৌবনো হায়বদুদি খঙবা লৈরবা মান্দে। কৈথেলদা চৎলগদি ময়াং মচাদুদা হিন্দি হেক্তা ঙাঙশিল্লি।

হিন্দিসি ফজনা তম্লবদি কান্নগনি খনবসি হিন্দিগী ঈ চঙবা ওইবসু য়াই। হিন্দি হৈরবা থবক ফংদবা ময়াম লৈ, ক্লাস তেন ফাওবা হিন্দি তম্লকপা ময়াম লৌ উরগা লেল্লি, স্কুলদা শুক্তম তম্লক্তবা হিন্দি তম্লগা সর্টিফিকেট অদুনা হিন্দি ওজা ওইবসু লৈ। স্কুল লৈতনা সংস্কৃট তম্বসু লৈ, হেন্দিমেন ওইবদগী বেঙ্গলি ঙাঙবসু ময়াম লৈ। ক্লাস তেন ফাওবা হিন্দি হাপচিল্লগা শেল হেন্না কায়থোকপা য়াগনি খনবসু লৈরম্বা য়াই। ক্লাস তেন ফাওবা হিন্দিদু তম্লকইবনি, পাস তৌনবা চিনফা পুরকপনা ৱারিবা, মদু ঙম্নবা হোৎনবদা সবজেক্ট অতৈ পাবদা য়েৎশিল্লিবা (লোলদু মান্নদ্রবনিনা), পারুদ্রবনিনা মণিপুরী সবজেক্ট ফেল ওইবসু য়াওশিল্লকইবনি (লোল খঙদবগী নত্তে ৱারী খঙদবগী ওইগনি)। তম্বা য়াবা তম্লক্লগা কান্নফম খঙদবদগী শাওবা হায়গদ্রা পেন্দবা হায়গদ্রা তমহন্নীংদে হায়বশিংদগীদি ঐনা হেনগনি খল্লি। মরমদি পুন্সি মতেক-মতেক মাঙহনখ্রবনি, ৱারী খরদু তম্লক্লগা লৌশিং হেনগৎলি হায়বসু লৈতে। য়েৎশিনবদুনা সবজেক্ট অতৈদসু মপুং ফাহন্দবগী পোৎলুম অমসু ওইখি। এলেভেনদা হিন্দি য়াওহনবদু মদু খঙবগীসু ওইগনি খল্লকই, য়েৎপা লোইবগা থাদোকপা হায়বদুনি।

ৱা মচা হায়গদ্রা, ৱাথী হায়গদ্রা, তমহন্দৌবনিদা হায়বদা পাউচে ময়ামসি লমাই থন্নরে। লৈঙাক্কী মীহুৎকা মীয়ামগা লাপ্নবসু উহল্লে, মীরোল থুংদবা মানবা অমসু তাকথোক্লে। মপু ওইজদবা মীনাই ওইবা মানবগী ৱাঙাঙ অমসু মাল্লক্লে, নীংঙাই তৌবা হৈতবসু মাল্লে, ৱারেপ লৌবা হৈতবসু খঙহল্লে। লাইরিক তম্বগী কাঙলোন চুমদবা অমসু খঙনরক্লে। নাকল অমদা মীওই খরগী মরীল খঙদোকপদা কান্নবসু য়ারি, করিবুদি ঙমজরুদৌবনো খল্লকপসু লৈনরিবনি।

ইন্দিয়াগীদি চুম্মী খনবসু লৈগনি, মখোয় খরনা ইন্দিয়াসি থুগায়গদৌরি। মপুকচেল পীকপা, মখোয়গীতা খনবা য়াবসু য়াই। মখোয়না শোয়রগা লমদমসিদা লান্না উহন্নবা হোৎনবসু লৈবা য়ারি। মদুগী খুদোংচাবা লৌরগা নমথনবা তৌবসু য়াবনি। মদু খঙই হায়বা পাউসি মখোয়দা তাকপীবা চঙই মদুগী ওইরমগনি খল্লি ঙাঙনরিবা ময়ামসি। মসিনা মরোয়রে হায়বা অমদি লৈতরি। য়েৎনখিনি।

হিন্দি তম্বদি য়াদ্রগা উর্দু তম্বদি য়াগদৌরিব্রা, তঙ্খায় অমা মান্নরিবা লোল ময়ামসি পুনশিন্নবসু ঙম্নদ্রি। মদু ঙমদবদু উবদগী হেন্না ফগদৌবা মানবা অমনা ফরগনি হায়রকপসু ওইবা য়ারি। হিন্দি য়াদবা য়েংলগদি ইন্দিয়াসি শরুক অহুম থোক্না উরি। মদুমক মূথৎপা য়ানবা অনী অমদি পুনশিল্লদি য়াম্না ফজবা মাল্লিবনি। ইন্দিয়াগী মফম খুদিংদা ঐখোয়গী ইন্টরনেসনল ওইরবা লোলসি তম্বসু য়াবনি হায়বসি খঙহনবসু ফবনি। লোল অসি ঙাঙবা মী লৈত্রিবা ষ্টেট য়ামশিল্লক্ত্রবনি, মী য়াম্বা য়ামদবা হায়বদুনা চাবোক্কী ৱাতনি। লোল অসি মণিপুরী কৌরিবনি হিন্দিগী দাইলেগ অমনি হায়না লৌবা য়াওনরিবনি। মচা-মশু য়ামহল্লগা লোলদি কোন্না হোংদোকপা য়াই খনবা মীয়াম অমসু লৈরিবনি। লোল অমা নম্ফুদা তমহনবগী মহুত্তা লোল নমদুনা তম্নবা হায়বা হৌনরক্লবনি। হিন্দি লোনবনা চুম্মী খঞ্জবদু লোল অসি ঙাঙবশিংনা লোলসি ঙাঙগনি খনবদসু অদুম য়াবা ৱানি হায়বদুনি।

ক্লাস আইট ফাওবা হিন্দি কম্পলসরি ওইরি। ময়েক চৎলে, হিন্দি করিনো হায়বদি খঙলে, লোল অমা ওইনা ঙাঙনফমদি লৈবা নত্তে, অদুম কাউশিল্লকপনা হেল্লি। ক্লাস তেন ফাওবা তম্বা ফংলকপা ঐখোয়সু ঙাঙনফম ফংলক্তে, হিন্দি ফিল্ম য়েংবদককা খরা খরা খঙলম্বদু পুল্লপ কাউখ্রে। ঐখোয়গী অসিদা লাকপা খুদিং ঐখোয়গী লোল খঙলগা চৎখিবা মীওই য়ামখ্রে, সিফাইনবু হেন্না য়ামখ্রে। মখোয়সু খরদি কাউরম্বা য়াই অদুবু দুকান ফম্লম্বশিংদি ফজনা দেল্লীদা, গুৱাহাটিদা ঙাঙনরি। ঙাঙনফম লৈবগী হায়রবদি ঐখোয়গী লোল অসি ওইনা তন্বীবনা ফগদৌরি। ঐখোয়গী মীশিংনা লৈবা ষ্টেট অমদা লোল অসি তমগদৌবনি, তন্বীগদৌবনি। ষ্টেট অসিদা মতম কুইনা লৈগে হায়বশিংসু লোল অসি ঙাঙবগী সর্টিফিকেট কোর্স অমদি তমহনগদৌবনি (ফী লৌরগা তন্বীবা), ইবা য়াওদ্রসু য়াই। লমদম অসিদা হিন্দি তন্বীবা ওজা ওইরিবশিং অসি হিন্দিনা মমালোল ওইবা মীশিংনা ওইগদৌবনি, মখোয়গী তোলোপ সেন্টরনা পুগদবনি। মখোয়দা ঐখোয়গী লোল অসিসু তন্বীগদবনি। ক্লাস তেন ফাওবদা হিন্দি তন্বীবা তারগনা হিন্দিগী মার্ক অদুদি গ্রেদিং পীবদা য়াওহল্লোইদবনি, ফেল ওইরবসু ইমপ্রুভমেন্ট ওইনা কম্পার্টমেন্টেল থাগদৌবনি। ঐখোয়গী মীয়াম লৈবা ষ্টেটশিংদদি লোল অসিবু ঙাঙলিবা মীওইশিংদগী ওজা হাপকদৌবনি, হায়বদি মশাগী ষ্টেটনি হায়বনি, মরীল য়াওদবদগী মশাগী ষ্টেটনি খঞ্জবা ঙমদবসু লৈবা মাল্লক্লি। তৌফম থোকপা হায়ফম থোকপশিংদু লান অমগুম খনবা হৌনদে। তৌরমদ্রবসু তৌবা তারকই, খঙলমদ্রবসু তাকপীবা তারকপদুনি। করিগী য়াদগনি, য়াদবা য়াব্রা। লোল অসি ঙাঙবা ষ্টেটশিংদা ওজা লৈত্রবসু লমদম অসিদগী মীনা ওজাদু ওইবা য়াই। লোল অসি তম্লকপা চীংমীশিংনা লোল অসিগী ওজা ওইগদৌবনি। মতম অদুদা লোল অসিগী ফোনিটিক্স চুম্না লাক্কনি। লমদম অসিগী লোল অনী-অহুম খঙদ্রবদি লোল অসি মপূং ফানা খঙলে হায়বা য়াগদৌবা মান্দ্রে। লোল অতৈ তম্বদা মতম মাঙহনবা পাম্মুই হায়বগী ৱাদুনি। মীওই মঙা-তরা মপান্দা চত্তবা য়াদবা খরগীদমক মীপূম খুদিং হিন্দি তমদুনা লৈবগী মতম মাঙবা হৌনদে, মতম হায়বসি পুন্সিনি, ঘড়ীদু নত্তে। তমদবা য়াদদুনা তম্বা তারবসু কাপ্তা ওল্লগা মার্ক পীরবসু চে-কলম মাঙই, মতম মাঙই, পুন্সি মাঙই হায়বদুদি খঙনরবা ৱানি। লাইরিক তম্বদনা ফাগি মানবা অসুম হেঞ্জিল্লক্কনি, মী ওইনা পোক্লগা ফাগি তন্বীবা ওইনা থোক্কনি। ধর্ম্মশালা নত্তনা হিন্দি ঙাঙনফম লৈত্রে। স্কুলদা ঙাঙনবদগী হেন্না লন্বী সরক্তা হিন্দি ঙাঙলম্বা থোক্লবদি ফাইন ওইনা খোমগৎলকপসু য়ারি। মাইকতা লাইশোন লাওবা ফাও থিংনরক্লিবনি। নাকল অমদনা মী হায়বা মীসি মালেমগী ওইনা লোইনমক লাইখায় তানা লৈরবনি হায়বা য়াদ্রি। মরম অদুনা ঐখোয়সু লাইখায় তারে হায়দুনা লৈথোকপা য়াদ্রি হায়বনি। ঙাওশিন্নবা নত্তে ঙাওখিবা তারি, চনীং তানা খন্থ-খন্থরগা ঙাওববু হেন্না হেন্না ঙাওখৎলকই। তৌগদৌবা খঙলক্তবা হায়বসি ঙাওরিবনি।

মীয়াম্না হিন্দি তম্বা য়ানীংদবা নত্তে, নম্ফু-হাফু তৌরিবশিং য়াওরবদি মখোয়না ইন্দিয়া থুগাইগে তৌরিবদু থিংহৌবা ফবনি হায়বদুনি। মী খুদিং মীরোল তারবা ওইদবসু য়াই, কারল তাবা য়াওরক্লবদি ইমুং-মনুং ওইনা শেন্নবা অমদি চঙলকইবনি। মসি হায়বগীসু হেঞ্জিন্না লৌবা হৌনদে, লোলগী মরমদসু হেঞ্জিন্না পঙতৌ তৌশিনবা চুম্লক্তবা য়াই হায়বসি খঙমিন্নবা অমদি চঙই।

তৌগদৌবদি তৌদনা মীকিথিগী ৱা ওইনা ঙাঙনদুনা লৈরগা কনানা মী ওইবা ঙমগদৌরিবনো হায়বসিদি অদুম খঙনরবা ৱানি। লমদম অসিদা লৈরিবা য়েলহৌ লোলশিং অসিবুদি মান্ননা লৌবা ঙম্নদবসু পাউ অমদি তাক্লরে, কয়াদা কান্নরবা ৱানো। পুকচেল পীক্লবদগী য়ূমথংনবগা লোল মান্নদে হায়বা য়াওরুবদুনা, বেঙ্গলিদা লাইরিক হৈবা ওইনা লৌরুবদুনা হিন্দি তম্ফম থোকই হায়রিবনি। শিংজু চাবা হৈনদে হায়বা য়াওরুবদগী শলাৎ চানবা ইনশিল্লকপনি। চাগনবশিং চাখোদনা।

কয়াদা কান্নরবা ৱানো, ৱাদু ঙাঙলক্লিবশিংনা করি পাম্বগী হায়বনো হায়বসি খঙনরে। ঐখোয়সু মদুগা চপ মান্ননা হায়বসি হৈরে। ঙাঙলগা অসুম লৈগদৌরিব্রা, তৌগদৌবদু খন্নফম থোক্তে হায়গদৌরিব্রা। হান্না ঙাঙনরম্বা ৱাশিংসি নত্তবা অনৌবা ৱা ঙাঙনবা য়াদব্রা, হৈতব্রা। লমদমমিপুন্নবা ৱা অনৌবা হৌদোক-হৌদোক্তুনা ঙাঙনফম থোক্তব্রা? অরিবদা ঙাওবা কাঙবুনা মুক্তুনা লৈবসিসু কোন্না য়ানীংদবদি লায়রদনা নোক্লিংবা পোক্নরকখিনি খল্লি। য়ূমদা ৱাজাও ঙাঙলগা লৈবনা লোল শুরে হায়বা য়ারক্ত্রবনি। লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংদি মহুম শাবা হৈতে, মচাদমক কনবা পাম্বা, মহুমদি নুংশিৎনা হুমদোকখিবা খঙলোইদৌরি। চেক চেক চোংঙাদৌনা, ঐগীদমক কনানা চফুগী ইকোন শাবিরক্কনি খঙবা নৎত্রি। হিন্দি লোন্দ্রগা য়ারগদৌবদি মান্দে। হিন্দি তম্ববু থবক ফংনবনি হায়বসু ময়াওরি। থরোইদং-কোঙ্গ্রেংদা য়োল্লগা হিংবসু লৈ, থরোইদু মনিং কল্লবদি চাখ্রদৌবনি হায়বসি থরোই চাবা হৈবশিংনা খঙই। ৱা ঙাঙগন্দবা খুন্নাই অমবু থরোইগী খুন্নাই ওইনা উবদি লাল্লি হায়বা খঙহনবগী মতম